ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯶, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, এপ্রিল ০৬, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩ শুবা চহী, ০১১শুবা মশীং

# শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবা

## ঈং-তপ্পা মণিপুর ওইহন্নবা ৱারেপ লৌমিন্নরসি

মালেমগী ওইনা মতমগী খোঙচৎ অসি নুমিৎতা য়েংলগা লৌবা, খরনা থৱানমিচাক্তা য়েংলগা হোৎপা অমসুং অতোপ্পা কনাগুম্বনা থাগী খোঙচৎতা লেপ্পগা চৎনৈ। মৈতৈ খুন্নাইগী ওইনসু ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা থাগী খোঙচৎতা য়েংলগা লেপ্পী। থা পানখৎলকপা অমসু শিথরকপগী মতুং ইন্না থাশু (থাসি) অমসুং থানিন (পুর্ণিমা) হায়না মীয়াম্না লেপ্পী। চহীগী অহৌবা থা অসি শজিবু হায়রগা মথং-মথং হায়বদি কালেন, ইঙা, ইঙেন... হায়দুনা চহী অমগী মনুংদা লৈবা থা ১২ গী মমিং তোঙান-তোঙান্না থোল্লি হায়বা মীয়াম্না খঙনৈ। অসুম্না থাপালোন্দা য়েংলগা শজিবুগী নোংমা পানবা অসিবু মীতৈ চৈরাউবা নৎত্রগা শজিবু চৈরাউবা হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকই। নোংমা পানবা হায়বসিমক থা অমগী অহৌবা নুমিৎ অদুনি। অসুম্না হিন্দু লাইনিং চৎপা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদসু থাপালোন্দা লৌনরগা চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোকই। থৌরম পাঙথোক্লিবা ষ্টেটশিং অদুদি কর্ণাটিকা, অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং মহারাষ্ট্রনচিংবনি। হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা গুড়ি পাড়ৱা চেটি চান্দ, উগাদি হায়দুনা লম-লমশিং অদুগী লোলদা তোঙান-তোঙান্না মমিং থোন্দুনা চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোকই। মৈতৈ/মীতৈগী ওইনদি চৈরাউবগী থৌরম অসি নুং-পান অনী থোক্না পাঙথোক্লে। লাইগী থৌরম হায়বা অমা অমসুং চহী হৌবগী মথেল-লুকোই লাংদুনা য়ুম অমগা য়ুম অমগা ইনশাং লান্নদুনা চামিন-থকমিন্নবগী থৌরম অমসু ওই। নুমিৎ অসিদা লাইনিংথৌ সনামহী অমসুং ইমা লৈমরেল শিদবীদা অথেনপোৎ কাদুনা থৌনিবা, লাইনিংথৌ অমদি লৈমরেলদা কৎলবা অথেনপোৎশিং অদুনা লাংবা মখল-মথেলগী চাক-ইনশাংশিং অদু থোঙ্গালদা পুথোল্লগা লমাবা-তুমাবা হায়বনচিংবা লমগী লাইশিংদা কৎনৈ। চহী হৌবগী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্না ময়ুম-মকৈ পানখ্রবা, শাগৈ ওনখ্রবা নিঙোলশিংনা মপাম লমদমদা লৈহৌরিবা মবুং-মৌপ্বাশিংদা খুদৈ, মোজা ফুরিৎকুম্বা অচম্বা ফিজোল অমমম খুদোল তম্নে। চাক-ঈশিং চাবা তোক্লবা মতুং ঙাইহাক পোত্থানরগা মনাক নকপা চীংদা কাদুনা মানা-মানা নীংজবা শেম্বীবা মপু খুরুম্বগী চৎনবীসু কায়দনা লৈরি। ফেষ্টিবেল অসিদা মীয়াম্না লান্না লৌনবা ৱাফম অমসু লৈ। মদুদি চৈরাউবগী মতমদা মবুং মৌপ্বাশিংগী খুদোল অমফাওবা তন্নক্ত্রগদি নিংঙোল চাক্কৌবগী মতমদা খুদোল তমদবগী চৎনবী অমখক পুশিল্লকপগুম্না তৌই। মসি অচুম্বা ৱাখল্লোন নত্তে হায়জনীংই।

মীতৈ চৈরাউবগী থৌরম অসি নিংথৌ মালিয়া ফম্বালচা হায়রগসু খঙনবা নিংথৌ কোই কোইনা পানবা মতম হায়বদি খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ মমাঙ ১৩২৯ দগী ১৩৫৯ ফাওবা পানখিবা মতমদগী হৌখিবনি হায়না লৌনৈ। কোই কোইনা মশাগী চহী ২৫ শুরকপদা নিংথৌ ওইখি। মহাক্না নিংথৌ ওইবা অসিদগী হৌন মীতৈ কেলেন্দর চৎনবা হৌখি অমসুং মারি-ফম হৌদোকখি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ইরম্বা লাইরিক খরদা থেংনৈ। চৈরাউবগী নুমিৎ অসিদা লাইনিংথৌ সনামহী, ইমা লৈমরেল শিদবী অমসুং মায়কৈ ঙাকপা লাইশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বদা কুশুমলৈ, লৈরী, কোম্বীরৈনচিংবা য়াওই। লৈশিং অসি কৎখিবগী তোঙান- তোঙানবা ৱারী লিখুনশিংসু লৈ। মসিগীসু মথক্তা অনৌ-অপেৎ ওইনা মালহৈ, হৈখা, হৈরিৎ, হৈয়াইনচিংবসু কৎপা চৎনৈ। অসুম্না মচল চানা লাংলগা পাঙথোকপা থৌরম অসি কনাগুম্বনা শজিবুগী থয়ায়দা পাঙথোকপসু য়াওই। থয়ায়দা পাঙথোকপা চৈরাউবগী থৌরম অসি মরু ওইনা গৌড়িয়া লাইনিং চৎপা কাঙবুগী মরক্তা পাঙথোক্লে। অদুবু হৌজিক্তি মখোয়গী মরক্তসু কয়া অমা লাইনিং-লীচৎতি কায়দনা নোংমা পানবা চৈরাউবনা চুম্মী হায়না লৌরগা নুমিৎসিদা চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোক্লরে। চহী খরগী তুংদদি নোংমা পানবা চৈরাউবা হায়বসিনা মপূং ওইবা চৈরাউবগী থৌরম ওইবতা নত্তনা থয়ায়দা পাঙথোকপা চৈরাউবগী থৌরম লোইশিনখ্রগনি হায়না লৌবা য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ঐখোয়গী ওইবা ফেষ্টিবেল অমা পাঙথোকপদা য়েৎনবা নুমিৎ লৈফম থোক্তে। অসিগুম্বা থৌরম অমদা ময়াম য়ানরগা নুমিৎসিদা পাঙথোক্লসি হায়না লেপ্পবদি য়ারোই। পুৱারীগী ওইবা ৱারী লিক্লমদা করি লৈবগে অমসুং অচুম্বা অশেংবা নুমিৎতুদা থৌরম পাঙথোকহৌদ্রবদি হৌজিক খোংজোম লানগী নিংশিং নুমিৎতা য়েৎনরিবা অমসুং পুয়া মৈ থাবগী নুমিৎতা য়েৎনবা থোরক্লিবা অসিগুম্না তুংদা থোরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। হৌজিক্তি য়েৎনবা লৈত্রবা চৈরাউবগী নুমিৎনি হায়না লৌনরিবা শজিবু নোংমা পানবা হায়বদি ঙসিগী নুমিৎসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা ঐখোয়না খুন্নাই অসিগী য়েংলগা করি তৌসিগে হায়বা ৱারেপ অমা লৌমিন্নবা মথৌ তাই। অমগা-অমগা চহী হৌবগী য়াইফ-পাউজেল পীনবদা ঐখোয়না লৌমিন্নগদৌরিবা ৱারেপ অদু পনমিন্নসি। লাক্কদৌরিবা চহী অসি ঈং-তপ্পা, অমগা-অমগা খেন্নবা লৈতবা, নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নবা হায়বদুনা অপুনবগী য়াইফ-পাউজেল ওইজরগসু চাউখৎপা মণিপুর অমগীদমক ঐখোয় শূ-নোমসি হায়বা পাউজেল অসিসু মীপূং খুদিংমক্তা য়ৌহনসি অমসুং থবক্তা ওন্থোকসি। লোয়ননা মরা তপ্পা লমদম অমা ওইহন্দুনা চাওখৎ মায়কৈদা খোঙ থাংজিন্নবা ৱারেপ লৌমিন্নবা চুমগনি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### মোইরাংদা চাওখৎ থৌরাংগী মমি তারিব্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি* অসি ইম্ফালদগীনা চুড়াচান্দপুর চৎনরিবা টিদ্দিম রোদ (১৫০) সিদা লাক্লগা লমলেন ফুবালা কৌবা খুঙ্গংসিদগী হৌরগা মথং-মথং সুনুসিফাই, নরানসৈনা, থম্নাপোকপী, ঙাখ্ব লৈকায়নচিংবা খুঙ্গংশিং অসি লান্দুনা লাক্লগা লৈকায় কয়ানা খুন্দারিবা মোইরাং খুনপাকসিমা কোল্লন্নগা (থোয়া লৈকায়রোম য়াওরবা) অমুক ত্রোংলাওবী, তেরা খোংশাংবী অমদি মুসলিম ইচিন-ইনাওশিংনা নম্না খুন্দারিবা ক্লাক্তা ফাওবসি মোইরাং এ সীগী মনুংনি। মণিপুরগী কলচরগা থাদোক্লবা য়াদবা মফমসি মণিপুর লৈঙাক্তা শেমগৎ-শাগৎতুনা লাকই/লাক্তে হায়বসি হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈঙাক্কী তৌখিবা থবকশিংনা খুদমনি। মোইরাং লৈবাক্তা ইবুধৌ থাংজিংগী থৌশিল-থৌরাং ওইবা তাইবঙ মীগী থম্মোয় হুবা ৱারী শিংবুল কয়ানা মণিপুরগী নাট, জগোয়-ঈশৈ, শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দা পুক্কে লনগৈ ওই হায়বসি পূম্নমক্না য়াবা ৱাফমনি। *মোইরাং কংলৈরোলদা নুংশি-নুংওনগী, লৈত-লায়রগী, মীনুংশিগী, মীওৎ-মীনৈগী অমদি মচিন মৌপ্বানা ৱারবা মতমদা লাই থোরক্তুনা তেংবাঙবীবগী-থৌজালবীবগী ৱারীশিং তাবদা তু চুংই। পূক্কিং নুংশিহল্লি। কপ্লীংই/কপ্পী।* মহৌশা খূৎশেমগী ফজরবা খুদোল ওইরিবা লোক্তাক পাৎনসু মোইরাংগী ৱারী শিংবুলশিংগা থাদোক্লবা য়াদনা লাক্লি। মোইরাংগী পুৱারীগী ওইবা মফমশিং অমসুং পোখোকশিংনা লমকোয়বশিংগী লমথুংফম অমদি মীৎয়েংফম ওইহল্লি।

মোইরাংদা চাওখৎ-থৌরাংগী মমি তাদবগী খুদম ফংবদগী মোইরাং এ সী অসি মণিপুরগী শরুক অমা ওইরিব্রা হায়না মোইরাংগী ইমা-ইবেল মৈরা পায়বী লূপনা হংলকপা লৈরে। মরুওইনা মোইরাং এ সীগী স্কুলশিং অমসুং কোলেজগী ফীভম ফগৎহন্দুনা মহৈরোয়শিং অমসুং ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী তুংগী পুন্সিবু কনবীনবগী থৌরাং, চহী মঙারোমগী মমাঙদগী পায়খৎলিবা **Augmentation of Moirang Water Supply Scheme** অসি লোইশিনবীনবা ৱাকৎ অমসুং মোইরাং লমখাইদগীনা মোইরাং বজার ফাওবগী লম্বী পাকথোক-চাউথোক্লবগী থবক অতৈ অতোপ্পা টুরিষ্ট, অনা-লায়েংগা মরী লৈনবা থবক পায়খৎনবগীদমক মোইরাং এ সী অপূনবা মৈরা পায়বী ইমা লূপ (এম এ এম পি আই এল) না পাউজেনখিবা লৈরে।

মোইরাংগী চাওখৎ থৌরাংদা লাইবক থীবা অমনা হৌখিবা কুমজা ২০১২গী জুন ২২দা মণিপুর লৈঙাক্কী প্লান্নিং এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী মখাদা লুপা ক্রোর ১০ রোম চঙনা মথোল অনী ৱাংনা শাগনি হায়না যাত্রা হুনখিবা খম্নু কৈথেল ঙসিসু মচি লেংদনা লৈরি। খম্নু কৈথেল হায়রগদি হেন্না পূক্কিং নুংশিফম থোকই। মরমদি মচিন-মৌপ্বাগী লৈত-লায়রগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইখিবা মফমনি। অসুম্না যাত্রা হুল্লগা মতম শাংনা শেমগৎ-শাগৎতনা লৈবসি লৈঙাক্কী করি অশোয়বা/অৱাৎপা লৈরবগে? মীচম ময়াম্না লৈঙাক্তা কোওপরেসন পীবা ৱাৎপনরা? তশেংনা হায়জরবদা খম্নু কৈথেল হৌজিক মতমগা চুনদ্রে। মরী লৈনবশিংনা অমুক হন্না মীৎয়েং চঙবীদুনা শেমগৎ শাগৎপীয়ু।

মোইরাংবু চাওখৎ-থৌরাংগী লম্দা মীৎয়েং চঙবীদে হায়বা ৱাফমদগী মোইরাংসি মণিপুরগী মনুং চল্লিব্রা হায়বা ৱাহং মোইরাংগী মীয়াম্না হংলক্লে। মরমসিনা চাওখৎ থৌরাংদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু। কেগে মোইরাং লমদম ইবুধৌ চীংঙু থাংজিং মশাইকোনবু লাইনা শেম্বা লৈবাকনি, লাইয়াম খুন্দিনফমনি। শাইওন লীলা হৌফমনি হায়না অশৈবশিংনা, অহল-লমনশিংনা হায়নরি/থাজনরি। তশেংনা মোইরাং লৈবাক্তা চৎপদি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ইমাগী মপামদা চৎপগুম্না নুংঙাইবা ফাওই। মালেমদা মীওইবগী সভ্যতানা মুৎতনা লৈরিমখৈ তাইবঙ মীগী থম্মোয় হুম্বা ঙম্বা ইবুধৌ থাংজিংগী থৌশিল ওইবা নুংশিরবা চিনবুং ৱারী কয়া লৈহৌবা ওইরসনু।


*অদোমগী - মোইরাংথেম দীনাকান্তা, ফুবালা*

# চাওখৎপা হায়সিবু অফবদা ঙাক্তরদো

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা

*শীংজংনা* য়ানবদা শুকচঙ চঙদবা উগা পাংখক্লবা মী অমা হায়বা তারবদি ঐখোয় ইমান অসিসু অমনি। ইমান হায়বা ৱাহৈ অসি মতমগী নহারোলশিংনা থোইনা কউথোক্লরবা ৱাহৈ অমনি। হৌজিক্কী নহারোলশিংনা অরিবা ৱাহৈ কয়া কয়া কাউথোক্লখ্রে, অরিবা ৱাহৈ অমা হায়রুবদা নোকপু নোকশিল্লক্কনি ময়া অদু ইখি হেক খিগৎলদুনা। য়া খিগৎপদদি মতমগী নহারোল ময়াম অসিদা লৈরে। ঐখোয়না নহা ওইরকপদা খিগৎলম্বা অদুম হায়না। মতম অমগী অকাম-অপেৎ মীমাঙদা হায়নরম্বা ৱাহৈ কয়া হৌজিক মতমদা ময়াক লোইনা চমদুনা ইচম চম্বা মীয়াম মমাঙদা ফজনা ইকায় হঙ্গোইদনা ফজবা ৱাহৈ ৱাতাদৌনা শীজিন্নবা হৌরক্লে। অতাবা মীনা ইকায়জবা...পঞ্জবমক্তি পঞ্জররোই অদুম অদুম্বা ৱাহৈ ৱাতা ময়াম অদু। হৌজিক্তি কৈদা অমা লোইনা তৌরে হায়দুনি। মহৌশাগী মী চৈবদা শীজিন্নবা অথী-অথীবা ৱাহৈ-ৱাতা ময়ামদু শীজিন্নরগা নহা মচাশিংদা চৈরগা অমুক্তা য়েংবীয়ু করি অমত্তা শাউররোই, নোক্লগা অদুম তাদুনা লৈখিনি। চহী নিফু শুরবা মী অমদা চৈরুবা তারবদি খরদি শাউরকপা য়াই (ফজদবা অথীবা ৱাহৈশিংদু শীজিন্নরগা চৈবগী ৱাফমনি)।

ৱাসি অমরোমদা চৎলগা লৈরম্লে। নহান্দি ঐনা ঐখোয়গী ইমানগী মনাক্তা লেঙঙুবু মাদি খবর (পাউফোঙচে/পাউচে) পারুবদগী মৈ হৌনা শাউরগা লৈরম্মে। পাউচে পারুবদগী শাউখিবনি হায়বসি ঐনা ইমাদা (হৌজিক মতমদা ইনেমবোক অসি ইমা হায়রগা কৌনরে, ঐনসু তঙাইফদনা কৌজরে) হংলুবদা নখোয় পাবুং (ইমান/ইকুবোক) অসে ঙসাই অয়ূক মীখলগী পাউ খরা পারুবদগী শাউরিবনি হায়না হায়রকপগী ৱানি। লুরিবদি ঐখোয় ইমান অসি শাউগদবা মীদদি শাউদনা ইমাখোয় (ইনেমবোক), ইশেন, ইবাইশিংদা ওইনা হেক-হেক শাউবা মানবা অমদি লৈ। ঐনা অমুক্তং খুরুমজরগা (মকুদা খুরুম্বা অসি হৌজিক কয়া উদ্রে) করিগীনো অদুক শাউনা পাবুংনা লৈবিরম্মিসিবো হায়না হংবদা হায়রকই, ‘ইমাক, নঙ হৌজিক হৌজিক লোক সভাগী মীখল তৌরি হায়বসি তাদবরা।’’ ‘‘তাজৈ ইকুবোক’’, খুম্মী ঐনা। মানা হায়রকই, ‘‘মখোয় মশেল মাগী-মাগী পার্টিদগী চোঙথোক্লরগা অতোপ-অতোপ্পা পার্টিদা য়াওনরগা ওনশিন-ওনশিন চৈশিন্নরিসি ননাদু তাদ্রা? হা। ঐখোয়বু অপঙবা শীরিবা নৎত্রা?’’




ঐ ৱা মখা তারুদ্রে, অশাউবা অদু ঐঙোন্দা ওনশিল্লকপগী মতাং অমা য়ৌশিল্লকপদা। অদুক কিনা হংলিঙৈ অমুক্তং খাকথরকপবু ঐ খংপ্রেক খংই। ইমাননি হায়না থাগৎচবগী ৱাদি নৎচদে (মাসু থাগৎকদবনি) ঐখোয়গী ইমান অসি অসুম্বদি ঙাঙই, মানা চুম্মী হায়খিবা অদুদগী মচি লেঙউ য়াদবা মীনি। মানা হায়, ‘‘মানা য়াওরগা মহী মচুম চাবা য়াবা চারবা চানীংঙাই লৈত্রবা মতম অদুদা মখা তানা মহী থক্লে য়াদবগী মখা তানা মতোং চাগে য়াদবগী লংথোক্লন্নবা পার্টি অদুদা হন্না-হন্না মচিন পেন্না-পেন্না লাউনবগী মতৌ অসিবু মীয়াম ঐখোয়না পাউচেদা হাপ্লকপদা পানি হায়দনা পারিবা অসিসু অঙকপা অমনি।’’

ঐখোয়নদি অদু তৌখ্রে, নখোয়নদি করিম তৌরমদ্রে, নখোয়না লৈবাক মাঙহল্লম্মে, মীয়াম মাঙহল্লম্লে ঐখোয়নদি অসি চাওখৎহল্লে হায়রি। চাওখৎলে চাওখৎলেদা মহায় অফবা লৈবাক লম্বী লৈরক্ত্রে। মৈ ঙাইহাক লৈতনা মুৎলে, পোৎকী মমল লেপ্পা লৈতনা হেঙ্গৎলে, চেঙ হুরানখ্রে, চেঙ য়েনবীদ্রে, থোং শেম্বীদ্রে, গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা মহৈরোয় লৈরক্ত্রে, চঙলুবা দিপার্টমেন্ট অমত্তদা ফাইল মচি অমা লেঙবদা শেল চাগে হায়না ময়া কাথোক্তবা য়াওরক্তরে, থা কাংদনা ইচন-ইচে নুপী হাৎপা, য়ূমদা হল্লক্তবা, ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইবা মশীং হেনগৎপা, প্রাইভেট ট্যুসন তম্বদা মাঙজিল থাবা ষ্টেট ওইরকপা, এন আর ঈ জি এস নুমিৎ কুন্নিরোমদগী হেন্না শুরক্তবা, বন্দ মশীং হেনগৎলকপা, লাইরিক তম্বা ঙমদবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা, কোক্কী লায়না লৈবা মশীং হেনগৎলকপা, ময়াম অসিরা ঐখোয়না চাওখৎপা-চাওখৎপা হায়নরিবা অসিবো? থবক কৌবা খুদিংগীদি লৌ য়োনবগী পাউ পাউচেদা পরেং শানা এদভর্টিজমেন্ট চবাক-চবাক হাপ্পা থেংনরি - মসিরা চাওখৎপা-চাওখৎপা হায়রিসে। নখোয়না নহানমখৈ চাওখৎলে-চাওখৎলে হায়রিবা ময়ামসিদি ফত্তবরোমদা চাওখৎলকপা হেঙ্গৎলকপা অসি ওইরেকো! ঐগী খূবীসে ইকুবোক্কী খূবী লৌরব্রা ভোট নম্মু য়াদৌ মাল্লক্ত্রেবো।

# লাই নীংগদ্রা, লাই লাৎকদ্রা খঙদ্রি

**নবকুমার ওইনা**

*লাই* পংখু-খুরুম্বসি অপঙবা তারক্কদৌরি। লাই লাৎপগী কান্নবা ফংবা য়াম্না লৈনরে। লাইশঙ শারগা পৈশা তানবা য়াওনরবনি। মসি খঙদবা পৈশা পঙকত্তা-কৎলগা খুরুম্বশিং অপঙবা তারক্লি। লাইশঙ শারগা পৈশা কৎহনবা হায়বসি পৈশা তানবনি হায়বসিগী খুদম ময়াম মালেমগী লৈমায়দা লৈরে, ইন্দিয়া মনুংদনা হেনবসু য়ারি।

লাইনিং খরগী অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্লবা কন্না হোৎনবা উরি। অরিবা লাইনীংশিংগী ৱাংউলোন খঙবা ঙম্নবা হোৎনবা লেপ্পা লৈত্রি, খঙবা ঙমদবসু কয়া য়াওরি। খঙবা ঙমদবা মরম ময়াম য়াওরগা লাইদা খুরুম্বা তারবদি পঙবা হেনগৎপা তারিব্রা। লাই খুরুম্ববু অপঙবা তাগদৌরিব্রা। লাই খুরুম্লিবশিংগী মরক্তা অপঙবা য়াওবা য়াদে হায়বদি লৈতে, লাই খুরুম্লগা শিংবা হেনগৎকনি হায়বসু লৈতে। লাইদি নীংগদৌবনি হায়বসু লৈরি। লাইনীং হায়বসি লৈবাক অমগী নৎত্রে হায়বসি হেক-হেক কাউনৈ। লমদমসিদা লৈরম্বা লাইনীংনা লমদম অসিগীতা ওইবা, চঙশিল্লক্লিবা লাইনীংনা অতোপ্পা লৈবাক্কী ওইবা লৌবা লানগনি। লাইনীং অমা পুশিল্লক্লগা লৈবাক অমা ওইনা শাগৎপগুম খনবসু লানগনি। লাইনীং অদুমক লানবা হৌরকপনি হায়গনি। লাইনীং অমগী ৱা ঙাঙবদি য়ানরি, লমদম অসি মাঙনা-তাক্লবা ঙাঙবা য়াওরক্লবদি লাল্লিবনি হায়বা খঙবা তাবনি।

লাইগী শাজৎ অদু লৌবগী ৱাদি মান্দে, লান তাশিল্লকপগী লান্মী মাল্লকপা য়াওনরিবনি। মপা-মপু পুন্দবশিং লাইনীংদা পুনবা য়ারক্লিবনি, লাইনীং লৌরগা ইপা-ইপু পূল্লবনি হায়বা য়াবদি নৎত্রি। মপা-মপুগী লাইনীংদু থাদোকপা ঙম্বা ময়াম অমা য়াওরক্লিবনি। লাই হায়বসি মী অমগী নত্তে, মীওইবা হায়বসি লাইগীনি হায়বদি য়ানবসু লৈরি। মীওই অমনা লাইনীং অমগী মপু ওইবসু য়াবা নত্তে, লাইনীং অমবু ঐগীনি খনবসু য়াবা নত্তে, পামজবা লাইনীং অমা চৎচবা য়াবগী ৱাতনি। পংথা থাজবশিংনা থাজরিবদু মহাক্কী ওইনা মীনা শোকপা য়াদবগুম খনবসু য়াওনরকপা মাল্লক্লি।

ঙসিদি মালেমগী লাইনীংশিংগী শক্তম হোংবা হৌরক্লে। লাইনীং হায়বসি মীওই খরতগী অখঙবা ওইরম্বদু মীওই কয়াগী লৌশিং ওইনরে। মী অমনা লাইনীং খুদিং খঙবা য়াবগী খুদোংচাবা পীনরে, অদুমক্তদা মীওই খরদি লাইনীং অমগীদমক মকন্থি ফুদোক্তুনা লৈহৌবা য়াওনরিবনি। লাইনীং হায়রগা মমিংগী তুং পঙইন ইনবনা য়ারক্ত্রে হায়বনি, মীপূম খুদিংনা লাইনীং খুদিং খঙবগী তঙাইফদবা লাক্লে হায়গনি। লাইরিক তম্বদা লাইগী ৱা য়াওদবসি লাল্লক্লি, লাইবু পঙথা থাগৎপসি লাই নীংবা নৎত্রগা লাইরিক তম্বগী ৱাফম নত্তে। কনাগুম্বনা লাইবু অঙকপা ওইনা লৌরগা ‘লাইনা তৌরিবনি’ হায়রগা লাই অদুগা নক্লবা শারগা ঙাঙবসু লৈরিবনি, লাই শারিবনি। মীনা লাই অদুমক্লি হায়রকপসি কদায়দা চুমগদৌরিবনো? মসিৱায়দনি লৈখায় তাবা ঙম্নদ্রিবসি, লাই তোংলগা পঙশিল্লক্লিব্রা, লাই লাৎলগা পঙশিল্লক্লিব্রা, লাই নীংলিব্রা খঙদ্রি।

লাইগী ৱাসি অতিংকোক্তগী হৌই, লাইনীং অয়াম্বা মান্নৈ। থৱায়-হকচাংগী হৌরকফমদগী লোনচৎ-শাজৎ শেম্বা অরোয়বদা থৱায়গা কায়নবা শিবা ফাওবগী কাঙলোন অমনি। খেন্নরক্লিবনা হিংলিঙৈদা তৌরিবা লাইগীনি হায়রিবা থৌরমশিং অসিনি, মদুগী তুং ইল্লগা চাবা-থকপা, ফিজেৎ-চাকচা পূম্নমক খেন্নগদৌবগুম লৌনরক্লি। ঐগী-ঐগীনা, ঐনা-ঐনা ফজবনা ফবা হেল্লি খন্নরকপা মাল্লক্লি। খেন্নরিবদি মীনি, লাইবু খেন্ননা উবদি লান্নগদৌরি। লাই খঙদবা তারক্কদৌরি।

লমদমসিদদি কনাসু লাই নীংববু মাল্লক্ত্রে, কনাসু লাইগী মরমদা লৈখায় তাবা মাল্লক্ত্রে, লাই ইতোৎ তোৎশিন্নবা উরি। লাইনীং পঙহোংদা হোংবসু উরি, লাইবু ফবা-ফত্তবা খায়বা ঙম্বগুম তৌরি। লাইনিবু হায়রবদি পঙনীংদা নীংবা মাল্লকই। লাইরিক ফজনা তম্লবসু লাইগী মরমদা খঙনবা হোৎনবা মাল্লক্তবা, থাজবা অমদা অদুম পঙশিনবা মাল্লকপা কয়া উনরিবনি। লাইগী মরমদা মালেম শিনবা থুংনা ঙাঙনবা ৱা, মালেম শেন্নকপগী ৱা, সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোক্লিবা নুমিৎ-থা, থৱান্মীচাক শেন্নকপগী ৱারী ময়ামসি ইপা-পানদবা, ইখঙ-খঙনদবা ওইগদৌরি। লাইগী হৌরকফম অতিংকোক হায়বগা সাইন্টিশিংনা হায়রিবা শুপরনোভা হায়বসিগা করিদা খেন্নরিবনো খঙবা তারক্লি। মান্নরিবশিংসু খঙবা ঙম্নবা হোৎনফম থোকই। মদু নৎত্রিবমখৈ লাইগী মরমদা ঙাঙনরিবসি ময়েক শেংবা ঙম্ন খিরোইদৌরি। লাই খঙবা নৎত্রগা ইশাগী হৌরকফম খঙবসু ওইরোইদৌরিবনি।

মালেম শেম্বা লাইদি মী মানগদৌবা নত্তে, মী মানবা লাইদা পঙখুদা খুরুম্বা হায়বসি মালেম শেম্বা লাইদুদা খুরুম্লিবনি হায়না লৌবা য়াগদৌবা মান্দে। সনামহী নৎত্রগা অতিংকোক মরূ শিদবা হায়বসি মী মানগদৌবা লৈতে, মী মানবা মীতম শাগদৌবা নত্তে। মসি খঙদবদগী মীশৌ চঙলকপা ওইগদৌরিবনি। লাইদুমক খঙদবগী থৈদোকপা হৌরকপনি হায়গদৌরিবনি। কাখল অমা খাজিল্লকপনি, কান্নবা থিবা খরনা মীংচৎ পাম্বগী মমি তাবা হৌরকপনি হায়গনি। লাইনীং হায়বসিমক য়েৎনফম ওইহল্লি। য়েৎনফম ওইরিবা হায়বসিমক খঙনদ্রি হায়বনি। মী অমগী লাইনীং হোংহনবা ঙম্বা হায়বসি লাইনীং খঙদে হায়বনি, লাই নীংবা মী নত্তে হায়বনি। অশিংবনা লাই লাৎপা অপঙবনা লাই খুরুম্মী হায়বদুনি।

লাই ময়াম খোমজিল্লগা শেমগৎপনি হায়বা লাইনীং লৈরি, লাইনীং অমদগী লোংথোক্লককপনি হায়বা লাইনীং কয়া য়াওরি, অনৌবা লাইনীং কয়া শেমগৎলকপা লমদম লৈরি। মসি পূম্নমক লাইনীংদা মারা চেৎপগী খুদমনি হায়বা য়ারোই। লাইগী নিংথৌ লাইনিংথৌ লাৎপা হায়বসি য়াম্নমক মারা চেৎপা ফিলোসোফি (ৱাংউলোন) য়াওরিবা লাইনীং অমনি। মী য়ামদবগী, য়েংশিল্লকপা য়াওখিবদগী নমথরুরে। মুৎলুরবা নত্তে, অকা-অকুম খরা নায়রুবগী ৱাতনি। মুৎপসু নত্তবা লাইনীং অমা মীওই খরনা হৌদোকপগুম ঙাঙনরকপা হায়বসি লাইনীংদু খঙদে হায়বনি। খন্থনবা ৱাৎপদগী চেঙ-লৈ খরা কৎলগা পঙখুদা খুরুম্বা য়াবা লাইনি হায়না লৌবতনদি য়ারোইদৌরি। মালেমগী থাক্তা লাইনীংগী ৱা ঙাঙনরক্লিবা মরক্তা য়াওবা তারকই। ইশানা ইশাগী শক তাকচবা ঙম্বা ওইবা তারকই। য়েৎশিন্নদুনা মতম মাঙহনফম থোক্তে হায়বসি খঙনফম থোকই। লাইনীং অমবু লাইনীং অমনা তপ্না-তপ্না চাশিল্লকপা, য়োৎশিল্লকপা হায়বসি মতম অসিদদি য়াগদৌবা লৈত্রে। হরাওরিবা লাইনা মী য়াম্না নীংনদ্রিবা, হরাউদবা লাইনা মী অয়াম্বনা নীংনরিবা করিগী ওইফম থোকপগে? লাই খেন্নবগী নত্তে, মী খেন্নবগীনি হায়বা খঙবা তারকপদুনি। লাইনীংবা অমসুং লাইনীং শন্দোকপা মীওইশিংগী মখা পোল্লকপনি হায়গনি। লাইনদি করিসু হায়রমদৌবা মাল্লক্ত্রবা মতমসিদা শন্দোকপা কনবা লাইনীং অমগী মখাদা মীওইবনা তৌরিবনা করিনো? নোংমা নোংমগী ৱাথোক হেনগৎলকই, মী মরক্তা হাৎন-শুনবা হেনগৎলকপগুম তৌরক্লি। মীনা লাল্লিব্রা লাইদুমক লানবদা য়াওখ্রবরা খন্থনবা তারক্লি। লৈখায় তানা খন্নদবা য়াদবা ওইরক্লি। লাই নীংদবগী খঙদবনি।

মালেম শেম্বা লাই অদুদি কৈদৌঙৈদসু মী ওইনা পোক্লকখিদরি। য়েৎনরিবদি লাই থাজরিবা মীয়াম অসিননি, মী ওইনা পোকখিবা লাই ময়ামদু ঙসিসু লৈরম্লবদি অদুমক য়েৎনরম্বসু য়ারিবনি, মরমদি মতুং ইল্লিবশিংসি ঙসি ফাওবা য়েৎনরি, খন্নবা লোইদরি। লাইনীং শন্দোক্লম্বা লাইনি হায়বশিংগী অশোয়বা ওইগদৌরিব্রা লাইনীংশিং অসিগী তুং ইল্লিবশিংনা শোয়বদগী ওইগদৌরিব্রা? শোয়বা নৎত্রগা খঙদবা য়াওবা তারবদি ৱাথোক অদুমক হেনগৎলকপা তারক্লি। লাইনীং থাদোক্লবা য়াওরক্কদৌরি, লাইগী ৱা তাদবা, মোরেলগী ৱাফম ওইনা চৎনরকপা য়ারি। ঙসিমক থাজনরিবা লাইগী ৱাসি চহী লিশীংগী মমাঙদা য়াদবা লৈরম্লবনি। থাজবনা য়াম্বদগী ঙসিগী থাকসি য়ৌখিবনি, থাজবা য়াম্লবসু অচুম্বা ওইদবসু য়াবা, লৌশিংগী মখা পোল্লকপা অমনি। লাই মান্নদবা হায়বসি ৱাখল মান্নদবা ওইরক্লবনি। লাই মান্নবশিংসু অদুম লান তৌনরি, লাইনীং হায়বসি লান থোক্লবা লান্মী শেমগৎনবগুম থোক্লরে। লাইনদি নত্তে, লাই নীংলিবশিংগী ৱাথোকনি। লাইদি নীংনগনি মীদি অদুম হাৎনরি, লাইনীংগী ৱা মাল্লক্তে। মী ঐখোয়না লান তৌনবা য়ানবগীদমক লানগী লাইরেম্বী অমা লৈবগুম্না লাৎনরি। লানগা লাইগা মরী লৈনদে, লানগা মীগদি মরী লৈনরি, লান তোক্লদ্রি। অদুগা লাইদা তায়নরি।

মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, অতিংঙাগী মরক্তা মীদি মপঙ ওইবা লৈবাক ওইরিবা মালেম অসিগী মপং ওইরিবা অসিগী শরুক খরনি। মীওইবনা মপু শাবা য়াবা নৎত্রি। কনাগুম্বা খরনা মী হায়বসি মী ওইনা অদুম পোক্লক্লবা, লাইগী খূৎশেম ওইনা অদুমক লৈরক্লবা ওইনা লৌনবসু য়াওদবা নত্তে। মতমসি কৈদৌঙৈ হৌখিবা খঙবদি নৎত্রি কৈদৌঙৈ লোইগনি খঙবা নৎত্রি। মীওইবগী শক্তমসু ৱাখলসু হোংবগী লোইবা নায়বা নৎত্রিবনি। অহাংবসি কদায়দসু লোইবা নায়বা নত্তে, অহাংবগী মরমদা খনবা তারবদি লোইবা লৈবা লৈতে। মরম কয়া লৈবদগী ইপা ইপুনা লাই নীংবসি অহাংবদগী হৌরম্মী, হৌফম থোকপা অমনি হায়গনি। অহাংবদুদগী লেপ্তুবা অহোংবা অমা চখ্দুনা লাক্লি, অদুমক চখ্দুনা লৈগনি, অদুমক হোংগনি। উহৌবা, খঙহৌবদি নত্তে, কয়াদা ঙন্না ৱাখল থাদরম্লবনো। মহৌশা হায়বসি অদুম চুমদুনা লৈবা তাবনি, খঙবা মপুং ফারমদবগী ৱাথোক য়াম্লম্বগী খঙনরমদবা ওইগদৌরি। মীওইবগী পূক্কিং হকচাং অমসুং ৱাখল লৌশিংসু হোংদবা য়ারোই হোংদুনা অদুমক চখ্দুনা লৈগনি। পাঙদবা মীওই খরনা হোংবা ঙমদবগী লায়না চেনবগুম লৈহৌরি। লাই মশামক অহোংবা হায়বা অদুগী অহৌবনি, লাইবু হোংদবা অমগুম লৌবা লাল্লি, অহোংবা হায়বসিমক লাইগী শক্লোন অমনি। হোংবা ঙম্বা অমসুং হোংবা ঙম্নবা লৌশিং থিবা অদুমক লাইনীং ওইরক্লি। লাই নীংবা হায়বসি অহোংবা অদুমক্কা লোয়ননা চৎপা ঙম্বদুনি। লাইনীং অমদা লোয়নমক খঙবসু ঙমদনা হোংবা ঙমদবা হায়বসি লাই নীংবা নৎত্রগা লাইনীং অমদা থাজবা ওইফম থোক্তবনি।

মীওইবনা করিগীদমক লাই হায়বা অমা লাৎলন্নিবা হায়বসি লাইদা পঙথা থাজগে হায়না হৌদোক্লম্বা মান্দে। তোঙান-তোঙানবা মফমগী ওইরবসু মী কাঙলূপ অদুগী য়াইফনবা তৌরম্বনি হায়গনি। ইশম শম্না য়ুনিট অমা শাগৎলগা থাজবদু মান্নহল্লম্বা অমদি অচুম্বা অমদা পুনবা পুল্লম্বনি হায়বা য়াগনি। লাই য়াওদনা অচুম্বা অমা শাগৎপা য়ারমদে। নুমিৎ, থা, থৱান্মীচাকশিং অসি উদুনা লৈবা অচুম্বশিংনি, মহৌশা হায়রিবা শক্তম অসিনি। লাইনীং খুদিং অচুম্বদা য়ূম্ফম ওইরি, করিগী খেন্নগদৌরিবনো? মীওইবনা খেন্নহনবা ওইবা তারি। মীনা লাই শাবদি চুমগদৌবা মাল্লক্তে, লাইনীংসিবু মীওই খরনা মরন্নাই তৌবা ফজবা ওইরক্তে।

লাই কোটি ৩৩ মশীং থিদুনা শান্নবা য়াগদ্রা? য়াই। মশীং থিবা হৌরবদি লাই নীংবা নত্তে। লাইদা করেম্ববনি, লাই খঙবা ঙল্লোই। মসি হায়রুবদা মীওই খরগী নীংবা কায়বা ওইবদি য়াই, মখোয়না অপূনবা লাইনীং অমা শাগৎপদি ঙল্লোই, শন্দোকপা নায়বা লাইনীংগা মান্নগনি। থৌওইনা শন্দোকপা ঙল্লগা অপূনবা লাইনীং ওইগনি হায়বা লৈতে।

লাই নীংবশিংদি অদুম পুল্লক্কনি, লাই খুরুম্বশিংদি কৈদৌঙৈদসু পুন্দবা য়াই। লাই খঙদ্রবদি অদুম য়েৎনখিগনি, য়েৎনবদা য়াওরিবা ইশাসু খঙদবদা অদুমক য়াওরি।